HUEIYEN LANPAO

## হরিকেন ইদানা মীওই ১ শিহনখ্রে

ন্যু ওর্লিন্স, নভেম্বর ২১ (এজেন্সী) : কেটেগোরি ৪ গী নোংলৈ নুংশিৎ হরিকেন ইদানা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা চৈথেং পীবা হৌখ্রে। মরু ওইনা ন্যু ওর্লিন্সকী মফম অমদা অকনবা নোংলৈ নুংশিংনা মরম ওইরগা লন্থী নাকলদা হৌবা উ পান্বী তেক্তুনা তাশিল্লকপগী থেদোক্তা মীওই ১ শিখ্রে হায়না সেরিফ ওফিসনা ফোঙদোরক্লি।

ঙসিদগী চহী ১৬ লোমগী মমাংদা লোজিয়ানা অমসুং মিসিসিপিগী খা থংবা ষ্টেটশিংদা কেটিগোরি ৩ গী অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ অমনা চৈথেং পীখিবা নুমিৎ অদুগা চপ মান্ননা ন্যু ওর্লিনতসু কেটিগোরি ৪ গী নোংলৈ নুংশিৎ অসিনা চৈথেং পীরকখি।

পুংদা কিলোমিটর ২৩০ রোম য়াঙনা শিৎপা নুংশিৎকা লোয়ননা পাইশিল্লক্লিবা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ অসিনা মখা তানা ন্যু ওর্লিন্সতা অকনবা চৈথেং পীরবা য়াবগী অকিবা লৈরি। সমুদ্র খোঙবাল ময়া নক্লা লৈবা মীওইশিংসু নোংলৈ নুংশিৎ অসি য়ৌরক্ত্রিঙৈগী নোংমা ৱাৎলিঙৈদা ওথোরিটিশিংনা শাফগদবা মফমশিংদা পুথোকপগী থবক চথবা হৌখ্রে।

অমরোমদা ন্যু ওর্লিন্সতা মতম শাংনা লৈরক্লবা জেনেটরক্কর কৌবা মীওই অমনা ফোঙদোকখিবদা মহাক্কী পুন্সিদা হন্দক থেংনরিবা নোংলৈ নুংশিৎ অসিগুম্না কনবা অমত্তা থেংনরকপা লৈত্রি। ঈশ্বরনা চানবীদুনা নোংলৈ নুংশিৎ অসি মখা তানা থোকহন্দবা ওইসনু মরমদি নোংলৈ নুংশিৎ অসি মখা তানা চথরক্লবদি অশি অনা কয়া থোক্লবা য়াই হায়রি।

## টালিবান লুচিংবশিংগা ৱারী শাবগী মতম ওইরে

বৈজিং, নভেম্বর ২১ (এজেন্সী) : টালিবাননা অফঘানিষ্টান খুদুম চনশিনখিবা থা ৪ রোম ফারকখ্রবা মতুং লৈবাক অদুদা অহোংবা কয়া লাকপা উরে। মরম অদুনা মালেমগী লৈবাকশিংনা নৌনা পৱার পায়রক্লিবা টালিবান লুচিংবশিংগা উনদুনা অফবা লৈঙাক অমা ওইহন্নবগী পাউতাক পীবা মথৌ তারে হায়না চাইনানা য়ু এসতা হায়খ্রে।

চাইনিজ ফোরেন মিনিষ্টর ৱাং লিনা য়ু এস সিক্রেটরি ওফ ষ্টেট এন্তোনি ব্লিনকনগা ঙরাং টেলিফোনগী খুথাংদা ৱারী শান্নখিবদা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি। লুচিংবা অনীনা ৱারী শান্নখিবা অদুদা অফঘানিষ্টানদা হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসিগী মতাংদা মরু ওইনা খন্নখি। য়ু এস অমসুং নেটো ক্রুপশিংনা লৈবাক অদুদগী চৎখিবা মতমদা ওইহৌগদবা ফীভমগী মতাংদসু য়াম্না কুপ্না লুচিংবা অনী অসিনা খন্নখি।

## ওকলেনদা লোকদাউনগী মতম চয়োল ২ শাংদোকখ্রে

ৱেলিংটন, নভেম্বর ২১ (এজেন্সী) : থা খরা ন্যু জিলেন্দদা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা চৈথেং পীবা লেপ্পুরবা মতুং ইখং খংহৌদনা অনৌবা ভেরিয়েন্ট দেলটাগী কেস অমা থেংনরকপদগী লৈবাক পুম্বদা নভেম্বর ২১ দগী হৌরগা লৈঙাক্লা লোকদাউন থমজিনখ্রে।

মদুগী মতুং ওকলেনদা ফাইজর-ভাইওনএনটেক কোভিদ-১৯ ভেক্সিন কাপ্পগী মরী লৈননা মীওই অমা শিবদগী চয়োল ২ লোকদাউনগী মতম অমুক হন্না শাংদোক্লবা লৈবাক অদুগী প্রাইম মিনষ্টর জসিন্দা এর্দরনা মরী লৈনবশিংদা খঙহনখ্রে।

## অইবা চায়েং পাঙথোকপদা থিংখ্রে

বৈজিং, নভেম্বর ২১ (এজেন্সী) : চাইনাদা হাইপর কম্পিটিটিভ স্কুল সিষ্টেমনা মরম ওইরগা চহী ৬ অমসুং ৭ কী মহৈরোয়শিংদা নত্তনা মমা মপা ওইবশিংদা য়াম্না চাওবা পোৎলুম অমা পুহল্লিবা অদুগী য়েংলগা হায়রিবা চহীশিং অসিগী অঙাংশিংগী অইবা চাংয়েং পাঙথোকপদা লৈঙাক্লা অথিংবা থমখ্রে হায়রি।

লৈঙাক্কী ৱাঙাঙলোয় অমনা ফোঙদোরকখিবদা চহী কা হেন্না নৌরিবা অঙাংশিংদা প্রেসর কা হেন্না পীবা অসি অফবা নত্তে। মসিনা অঙাং অদু খক্তা নত্তনা মমা মপা ওইবশিংদা ৱাখলগী ওইবা নুংঙাইতবা কয়া পোকহল্লি।

# অল-সবাব স্যুসাইদ বোম্বরনা মোগাদিসুগী মমিং লৈরবা জর্নেলিষ্ট অমা হাৎখ্রে



মোগাদিসু, নভেম্বর ২১ (এজেন্সী) : সোমালিয়াগী কোনুং মোগাদিসুদা ঙসি অল-সবাব অর্মদ গ্রুপকী স্যুসাইদ বোম্বর অমনা এটেক চখদুনা লৈবাক অদুগী মমিং লৈরবা জর্নেলিষ্ট অমা হাৎখ্রে হায়না জর্নেলিষ্ট অদুগী মরী মতাশিং অমদি ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

থৌদোক অসিগা মরী লৈননা ওফিসলশিংনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, স্যুসাইদ বোম এটেক অদু অল-সবাবকী স্যুসাইদ বোম্বর অমনা চখখিবনি হায়না ক্লেইম তৌরকখ্রে। বোম এটেক অদুদা লৈখিদ্রবা মীওই অদু রেদিও মোগাদিসুগী দাইরেক্টর অবদিয়াজিজ মুহমদ গুলেদ কৌই। মহাক্লা চহী কয়াগী মমাংদগী অল-সবাব গ্রুপনা চথরক্লিবা থৌওংশিংগী মতাংদা ক্রিটিসাইজ তৌদুনা লাকপগা লোয়ননা গ্রুপ অসিনা পায়খৎলকপা থবক থৌরম কয়াগী মতাংদসু মীয়ামদা খঙহন্দুনা লাকখিবনি।

বোম এটেক অদুদা জর্নেলিষ্ট মুহমদ শিখিবগা লোয়ননা মীওই কয়া অমসু অশোক অপন নংখি। শোকখ্রবশিংগী মনুংদা সোমালি নেসনেল টেলিভিজনগী দাইরেক্টর অমসুং মহাক্কী দ্রাইভর য়াওরি। থৌদোক অসিগা মরী লৈননা লৈখিদ্রবা মুহমদকী মনাওনুপা অবদুলাহি নুরনা ফোঙদোকখিবদা, লৈখিদবা মুহমদ অমদি মহাক্কা লোয়ননা মোগাদিসুগী মমিং লৈরবা রেষ্টুরেন্ট অমদা চাক চাখি। মদু লোইরবা মতুং রেষ্টুরেন্ট অদুদগী ময়ুমদা চৎনবা থোরকপদা খঙহৌদনা স্যুসাইদ বোম্বর অদুনা চেনশিল্লক্তুনা এটেক অদু চখখিবনি। থৌদোক অদুদা মহাক লাইবক ফবদগী কা হেন্না শোকখিদে। করি মরমগীদমক মহাক্কী ময়াম্বদা টার্গেট তৌরগা এটেক অদু চখখিবনো হায়বসু খঙদে হায়রি।

অমরোমদা সোমালিগী দিপ্যুটি ইনফোর্মেসন মিনিষ্টর অবদিরহমন য়ুসুফ ওমরনা ফোঙদোকখিবদা ঙসি থোকখ্রিবা থৌদোক অসি য়াম্না লাইবক থিবা থৌদোক অমনি। পাংদবা মী অমনা চখখিবা এটেক অসি লৈবাক অসিগী মীওই খুদিংমক্লা কন্দেম তৌই। থৌদোক অসিদা চেন্নরিবা মরাল লৈবা মীওইশিং অথুবা মতমদা ফাদুনা মরালগী চপ চাবা চৈরাক পীনবা হোৎনগনি। বোম এটেকতা লৈখিদ্রবা মুহমদ লৈবাক অসিগী থৌনা ফবা জর্নেলিষ্টশিংগী মনুংদা অমনি। মহাক লৈখিদবা অসি লৈবাক অসিগী থৌনা ফবা মীওই অমা মাঙজবনি। মহাক্কী ইমুং মনুংগী অৱাবদা শরুক য়ারি হায়না ফোঙদোরক্লি।

# ইস্লামিষ্ট গ্রুপ হমাজনা এটেক চখদুনা মরাল লৈজদবা মীওই ১ হাৎখ্রে

জেরুসালম, নভেম্বর ২১ (এজেন্সী) : ইস্লামিষ্ট গ্রুপ হমাজকা মরী লৈনবা খুৎলায় পায়বা পেলিষ্টিনিয়ন অমনা জেরুসালমগী ওল্ড সিটিদা এটেক চখদুনা মীওই অমা হাৎখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা মীওই ৩ অশোক অপন নংহনখ্রে হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

ওফিসলশিংনা থৌদোক অসিগা মরী লৈননা ফোঙদোকখিবদা, নুমিৎ মরীনীগী মমাংদা মফম অসিদা হমাজ গ্রুপকী মেম্বর অমনা এটেক চখদুনা মীওই ৩ হাৎখি। অল অক্সা মোক্স কম্পাউন্দ মনাক্তা খুৎলায় পায়বা রেবেল গ্রুপ অসিনা মীচমদা টাগর্টে তৌদুনা এটেক চখবগী থৌদোকশিং য়াম্না তোয়না চথরক্লি। মরুওইনা গ্রুপ অসিনা ইজরেলিশিংদা টার্গেট তৌরি। ঙসি শিখ্রবা অমদি শোক্লবা মীওইশিং অদুসু ইজরেলি ঙাক্তনি।

থৌদোক অসিগা মরী লৈননা ইজরেলগী ইন্টরনেল সিক্যুরিটি মিনিষ্টর ওমর বারলেভনা ফোঙদোকখিবদা এটেক অদু জেরুসালমগী নোংপোক থংবা শরুক অমদা চখখিবনি। খুৎলায় পায়বা মীওই অদু হমাজ গ্রুপকা মরী লৈনবা পেলিষ্টিনিয়নদি হায়বা



কনফার্ম তৌরে। মহাক্লা এটেক অদু চখখিবা মতমদা সব-মেছিনগন অমা শিজিন্নখি। করি মরমগীদম মীয়াম তিনবা মফমদা মীওই অদুনা এটেক চখখিবনো হায়বা হৌজিক ফাওবগী ওইনদি খঙবা ঙমদ্রি। থৌদোক অদুদা চেন্নরিবা মীওই অদুসু ইজরেলি সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখ্রে হায়রি।

অমরোমদা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক্তা চেন্নরিবা মীওই অদু হমাজ গ্রুপকী মেম্বরনি হায়না গ্রুপ অসিনা ফোঙদোরকখ্রে। অদুম ওইনমক মীওই অদুগী মমিং অমদি অকুপ্পা মরোলদি মীয়ামদা গ্রুপ অসিনা ফোঙদোরকপা লৈত্রি।

ইজরেলগী প্রাইম মিনিষ্টর নফটালি বেনেটনা থৌওং অসিবু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা হমাজ গ্রুপপু জেরুসালমদগী মপুঙ ফানা তকথোক্লবা হোৎনগনি হায়না ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা গ্রুপ অসিগী মথক্তা কাউন্টর ষ্ট্রাইক চখনবা শেম শাবা হৌরে হায়রি।

পনবা য়াবদি হমাজ গ্রুপ অসি য়ু কে অমদি য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ননা ইন্টরনেসনেল টেররিষ্ট ওর্গনাইজেসন অমা ওইনা লাউথোক্লগনি হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

# সাউদি সিটি কয়াদা দ্রোন এটেক চখখ্রে : হৌথি রেবেল

সানা, নভেম্বর ২১ (এজেন্সী) : য়েমেনদা বেজ তৌবা হৌথি রেবেলশিংনা সাউদি কিংদমগী তোঙান-তোঙানবা সিটিশিংদা দ্রোন এটেক চখখ্রে হায়না রেবেল গ্রুপ অসিগী ৱাঙাংলোয় অমনা ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা সাউদিগী অরামকো ফেসিলিটিদসু দ্রোন এটেক অদুনা মাঙহন-তাকহনখ্রে।

হৌথি মিলিটরিগী ৱাঙাংলোয় য়াহা সারিনা ফোঙদোকখিবদা, সাউদিগী জেদাদা লৈবা অরামকো রিফাইনরিদা টার্গেট তৌরগা চখখিবা এটেক অদু মায় পাকখি। জেদা খক্তা নৎতনা রিয়াধ, অভা, জিজান অমসুং নজরান সিটিশিংদসু দ্রোন এটেক চখখি। ইরাননা বেক তৌবা হৌথি রেবেলশিংনা মতম কয়াগী মমাংদগী য়েমেনদা লৈরিবা সাউদিনা লুচিংবা কোলিসন ফোর্সশিংদা এটেক চখদুনা লাক্লি। মসিদগী হেন্দোক্তুনা সাউদি কিংদমদা টার্গেট তৌরগা এটেক কয়া মায় পাক্লা চখবা ঙমখ্রে হায়রি।

অমরোমদা, সাউদি অরাবিয়ানদি মখোয়গী অরামকো রিফাইনরিদা হৌথি রেবেলশিংনা এটেক চখখি হায়বা ৱাফম অদু অরানবনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

# মরাল লৈজদ্রবা মীওই কয়া মৈ থাদুনা হাৎখ্রে

কিনশাসা, নভেম্বর ২১ (এজেন্সী) : দিমোক্রেটিক রিপব্লিক ওফ কোঙ্গোগী নোংপোক থংবা শরুক্তা উগনদান রেবেলশিংনা মীচম ১৯ মৈ থাদুনা হাৎখ্রে হায়না লোকেল ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

লোকেল ওফিসল কাকুলে কল্লাঙানা এ এফ পী ন্যুজ এজেন্সিদা ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না থৌদোক অদু ঙরাং অয়ুক অঙনবদা নোর্থ কিভুগী দেনি টেরিটোরি মনুং চন্না লৈবা কসানজি ভিলেজতা থোকখিবনি। অহানবগী ওইনা খুঙ্গং অদুদা মীওই ১৪ গী অশিবা হকচাং থেংনখিবনি। রেদ ক্রোস ৱার্করশিংনা থৌদোক থোকফমদা চঙশিন্দুনা অকোয়বগী মফমশিংদা থিহুন্স্বগী থবক চখখি। মদুদসু খুঙ্গং অদুগী মনাক নক্লা লৈবা উমং অমদা মীওই ৫ গী মৈনা চাকখ্রবা হকচাং থেংনখিবনি।

বেনি টেরিটরিদা আই এস আই এল (আই এস আই এস) কা মরী লৈনবা এলাইদ দিমোক্রেটিক ফোর্সশিং লৈরি। দি আর কোঙ্গোগী প্রসিদেন্ট ফেলিক্স সিসেকেদিনা বেনিগী অকোয়বদা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলবসু রেবেল গ্রুপশিংনা মরাল লৈজদ্রবা মীওইশিং ওৎ নৈবা অমদি হাৎনবগী থবক্তি অদুমক চথরি।

মীওইশিং অদু মচিন তুম্বা মী শিহনবা য়াবা খুৎলাইশিংনা হান্না শোকহল্লবা মতুং য়ুম মনুংদা পুশিন্দুনা মৈ থারগা হাৎখিবনি। থৌদোক অসিগা মরী লৈননা ৱেঞ্জোরিদা লৈরিবা ন্যু সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনগী ৱাঙাঙলোয় মেলেকি মুলালানা ফোঙদোকখিবদা থৌদোক অদু থোকখিবা মতমদা বেনিগী অকোয়বদা মিলিটরি পর্সনেলশিং অমত্তা লৈবা উখিদে। এ এফ পি ন্যুজ এজেন্সিনা রিজনেল মিলিটরিগা পাউ ফাওননবা হোৎনবদসু ঙমদ্রি।

হৌখিবা মে থাদগী হৌরগা নোর্থ কিবু অমসুং ইতুরি প্রোভিন্সতা রেবেল গ্রুপশিংনা কা হেন্না ভাইওলেন্সকী ওইবা থবক থৌওংশিং চথরক্লিবা অদু থিংনবগীদমক্ত সিভিলিয়ন ওথোরিটিশিংগী মহুৎ মিলিটরি অমসুং পুলিস ওফিসরশিংনা শিন্দোকখ্রবনি।

# ব্লেক সীদা ৱাশিংটননা পেট্রোল বোটশিং মথৌ তৌদুনা লৈহনখ্রে

ক্যিভ, নভেম্বর ২১ (এজেন্সী) : য়ুক্রেন অমসুং রসিয়া লৈবাক অনীগী মরক্তা কা হেন্না উংখৎনরকখ্রবা মতুং রসিয়ানা য়ুক্রেনদা এটেক চথরকপা য়াবগী অকিবা লৈ হায়না য়ুক্রেননা ফোঙদোকখ্রবা মতুং ব্লেক সীগী শরুকশিংদা য়ু এসনা মখোয়গী কোষ্ট গার্দ পেট্রোল বোট অসি দিপ্লোয় তৌদুনা মথৌ তৌবা হৌহনখ্রে হায়রি।

রসিয়ানা য়ুক্রেনগা তায়নবা ঙমখৈগী শরুকশিংদা অহেনবা মিলিটরি ফোর্সশিং দিপ্লোয় তৌবা অমদি মিলিটরি দ্রিল কয়া পাঙথোক্লিবা অদুনা মরম ওইরগা লৈবাক অনীগী মরক্তা উংখৎনবগী থৌদোকশিং থোকপা হৌরকখিবনি। ইন্টরনেসনেল কম্যুনিটিশিংনা মোস্কোগী কা হেনবা থৌওং অদুব য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা ঙমখৈগী শরুক্তা দিপ্লোয় তৌরিবা ট্রুপশিং লৌথোক্লবা খঙহনবা লৈখ্রে। অদুমওইনমক রসিয়ানা ৱাফম অদুবু য়াখিদবগা লোয়ননা য়ুক্রেনগা তায়নবা ঙমখৈগী শরুকশিংদা অচৌবা খূৎলায়শিং ইন্সটোল তৌবা হৌরকখিবগী থৌওং অদুবু য়ু এসনা য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি।

# ঙমখৈ শরুক্তা থোক্লিবা ৱাথোকশিংনা য়ুরোপপু মিংচৎ থিহন্নবা হোৎনরি

ৱারসো, নভেম্বর ২১ (এজেন্সী) : পোলেন্দ অমসুং বেলারস ঙমখৈগী শরুক্তা মাইগ্রেন্টশিংগা মরী লৈননা থোক্লিবা ৱাথোকশিং অসি য়ুরোপপু মশক থিহন্নবা হোৎনবনি হায়না পোলিস প্রাইম মিনিষ্টর মেট্যুজ মোরাৱিকিনা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা ঙমখৈগী মতাংদা থোক্লিবা ৱাথোকশিং অসি মতাং চানা লোয়শিন্নবা হোৎনগদবনি হায়রি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, ঙমখৈগী মতাংদা মাইগ্রেন্টশিংগী ওইবা চয়েৎনবা কয়া থোক্লিবা অসিগী মতাংদা বেলারসকী মকোক থোংবশিংগা উন্নদুনা ৱারী শাখ্রে। ঙমখৈগী শরুক্তা মাইগ্রেন্ট কয়ানা য়ুরোপতা চঙশিন্নবা হোৎনরিবা অসি থিংনবসু বেলারস লৈঙাক্তা খঙহনখ্রে। পোলেন্দগী ওইনদি হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিদা লৈবাক অদু ফাওদুনা মাইগ্রেন্ট অমত্তা চৎহল্লোই হায়বা ফিরেপ



অদুদা লেংদনা লেপ্পি হায়নসু খঙহনখ্রে হায়রি।

য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নদা লৈরিবা লৈবাকশিং মীংচৎ থিহন্নবা হোৎনরকপা খুদিংমক পোলেন্দনা থেংননবা শেম শাদুনা লৈরি। মাইগ্রেন্টশিংগী ৱাথোক্লা মরী লৈননা লৈবাক অসিদা অতেপ্পা লৈবাকনা ব্লেকমেল তৌনবা হোৎনরিবা অদু কৈদৌনুংদা মায় পাকপা ঙম্লোই য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নগী লৈবাক অমা ওইনা য়ুনিয়ন অসিগী মীংচৎ থিনবা হোৎনরকপা খুদিংমক মায়োক য়াগনি হায়রি।

অমরোমদা বেলারসকী প্রসিদেন্টনা পোলিস সিক্যুরিটিনা চথরিবা কা হেনবা থৌওং অদুবু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা ঙমখৈদা চহী নৌরিবা অঙাং অমা শিহনখিবগী থৌওং অদুবুসু অকনবা মওংদা কন্দেম তৌরক্লি।

# মীওই মিলিয়ন ৪৪.২ হেনবদা হীদাক কাপখ্রে

টেহরান, নভেম্বর ২১ (এজেন্সী) : ইরানদা লৈবা অপূনবা মীশীং মিলিয়ন ৮৩ রোমগী মনুংদা মীওই মিলিয়ন ৪৪.২ হেনবরোমদা কোভিদ-১৯ ভেক্সিনগী ফুল দোজ কাপথোকখ্রে হায়না লৈবাক অসিগী হেল্থ মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা লায়না লাইচৎ অসি শনেদারকপগী চাং হান্নগা য়েংনরুবদা য়াম্না হন্থখ্রে হায়রি।

চহী অসিগী অঙনবা শরুক্তা লায়না লাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা মীওই কয়া লৈবাক অসিদা শিহনখ্রে। মদুগী মতুং ভেক্সিন কাপথোকপগী থবক খূমাং য়াঙশিল্লকখিবনি। মীওই মিলিয়ন ৪৪.২ দা ফুল দোজ কাপখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা মীওই মিলিয়ন ১২.২দা কোভিদ ভেক্সিনগী অহানবা দোজ কাপথোকখ্রে। মখা তানা লৈবাক অসিদা লৈরিবা মীপূম খূদিংমক কোভিদ-১৯ ভেক্সিন কাপথোক্ল নবগীদমক শেম শাবা লোইরে।

# য়েমেনগী মিলিটরি বেজদা হৌথি রেবেলশিংনা এটেক চখদুনা লান্মী কয়া হাৎখ্রে

সানা, নভেম্বর ২১ (এজেন্সী) : য়েমেনদা লৈবা সাওদি অরাবিয়ানা লুচিংবা কোলিসন ফোর্সকী মিলিটরি বেজ অমদা হৌথি রেবেলশিংনা ঙসি অয়ুক অঙনবদা এটেক চখদুনা য়ামদ্রবদা লান্মী ৩০ হাৎখ্রে অদুগা ৬০ হেন্না অশোক অপন নংহনখ্রে হায়না য়েমেন সাউদর্ন ফোর্সকী ৱাঙাঙলোয় মোহমদ অল-নকিবনা ফোঙদোরক্লি।

মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা এটেক অদু ঙসি অয়ুক গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংনা কন্ট্রোল তৌদুনা লৈরিবা লাহিজ প্রোভিন্সকী মনুং চন্না লৈবা অল-অনাদ মিলিটরি বেজদা টর্গেট তৌরগা চথরকখিবনি। হৌথি রেবেলশিংনা এটেক অদুদা আর্মদ দ্রোন অমদি বেলেষ্টিক মিসাইলশিং শীজিন্নদুনা এটেক অদু চথরকখিবনি।

ওফিসলশিংনা ফোঙদোরকখিবগী মতুং ইন্না মিলিটি বেজ অদুদা লৈবা ট্রেনিং এরিয়া অমদা বেলিষ্টিক মিসাইল অমা তাশিল্লক্তুনা পোকখায়খি। মতম অদুদা লান্মী কয়া অয়ুক্কী এক্সরসাইজ তৌদুনা লৈখি। হৌজিক ফাওবগী ওইনা লান্মী ৩০ শিখ্রে হায়না কনফার্ম তৌখ্রবসু মখা তানা অশিবা মশীং হেনগৎলকপা য়াবগী অকিবা লৈরি।

মিসাইল পোকখায়খ্রবা মতুং বেজ অদুদা লৈরম্বা লান্মীশিংনা অমনা অমবু মতেং পাংনদুনা অশোকপশিং পুথোরকপা মীয়াম্না উন্নখি। মিলিটরি বেজ অদুগী অকোয়বদা খুন্দাদুনা লৈরিবা মীওই খরনা ফোঙদোকখিবদা ঙসি অয়ুক অঙনবদা মিলিটরি বেজ অদুদা পোকখায়বগী অহৌবা খোঞ্জেল কয়া তাখি। হৌজিক ফাওবগী ওইনদি এটেক অদুগা মরী লৈননা হৌথি রেবেলশিংগী মায়কৈদগী ৱাফম অমত্তা ফোঙদোরকপা লৈত্রি। য়েমেনদা হৌজিক লৈরিবা ইন্তরনেসনল কম্যুনিটিনা রিকগনাইজ তৌবা গভর্ণমেন্টকা ইরাননা বেক তৌবা হৌথি রেবেলশিংগা হৌখিবা কুমজা ২০১৪ দগী হৌরগা লেপ্পা লৈতনা খুৎ থোক্লবগী থৌদোকশিং থোক্তুনা লাক্লি।

কুমজা ২০১৫ দা সাওদি অরাবিয়া অমসুং য়ুনাইটেদ অরব ইমিরেটসনা থৌদোক অদুদা খুৎ থিংজিন্দুনা তংদু লৈতাবা লৈবাক অমা ওইরক্লবা হোৎনদুনা লাকখিবনি। অদুমওইনমক ইরাননা বেক তৌবা হৌথি রেবেলশিং হৌজিক লৈরিবা কোলিসন ফোর্স অসিনা মপুং ফানা কন্ট্রোল তৌবা ঙমদ্রি। অল-অনদ মিলিটরি বেজ কেম্প অসি য়েমেনগী অনীশুবা সিটি অদেনদগী কিলোমিটর ৬০ রোম চৎলগা লৈবা মফম অমনি। কুমজা ২০১৯ দসু হায়রিবা কেম্প অসিদা হৌথি রেবেলশিংনা এটেক চখদুনা মীওই ৬ হাৎপগী থৌদোক লৈখ্রে। নাকল অনীগী ওইবা লালনা মীওই কয়া লাঞ্জেন্নহনখ্রে।

# চাইনা অমসুং য়ু এসনা কোল্ড ৱারগা মান্নবা থবকশিং চখবগী মহুত্তা ঈং তপ্পা মালেম অমা ওইহন্নবা হোৎনগদবনি



ৱাশিংটন, নভেম্বর ২১ (এজেন্সী) : চাইনা অমসুং য়ু এস লৈবাক অনীগী মরক্তা তোঙান তোঙানবা হিরমশিংদা চয়েৎনবা কয়া লৈরি অমদি কোল্ড ৱারগা মান্নবা মওংদা অমনা অমদা য়েংশিন্দুনা থবক তৌরিবা অসি তোক্লগা অফবা অমদি ঈং তপ্পা মালেম অমা ওইহন্নবা হোৎনবরোমদা ওইনা মায় ওনশিনবনা খ্বাইদগী হেন্না ফবা খোঙথাং ওইগনি হায়না য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা চাইনিজ এম্বেসেদর ওইনা লৈরিবা কিন গাঙনা ফোঙদোরক্লি।

মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা ৱার্ল্ড পৱার ওইরিবা লৈবাক অনীগী মরক্তা কোল্ড ৱারগা মান্নবা থৌদোকশিং থোক্লি হায়বসি মালেমগী মীয়াম্না খঙনরবা ৱাফম অমনি। মসিগী মহুত্তা লৈবাক অনীনা পাউ ফাওনবগী চাং হান্নদগী হেনগত্তুনা মাঙলোমদা চঙশিনবা মালেম অমা ওইহন্নবা হোৎনগদবনি। ঈং তপ্পা মালেম অমা ওইহন্নবা হোৎনবদা মালেমগী লৈবাকশিংনা পায়খৎলকপা থবক থৌরমশিংদা চাইনানা হান্নদগী হৌনা মতেং পাংদুনা লাক্লি অমদি মখা তানসু পাঙখিগনি। চাইনাগী মরুওইবা পান্দমদি মালেমগী লৈবাকশিং অমগা অমগা নুংশি চান্ননা লৈমিন্নবনি। অদুবু করিগুম্বা মতমদা পাউ ফাওনবা ৱাৎপা অমদি অতোপ্পা ইলিমেন্টশিংনা মরম ওইরগা লৈবাক লৈবাকশিংগী মরক্তা নুংশিনরক্তবগী থৌদোক কয়া থোক্লি। মসিদগী ঙাকথোক্লবা হোৎনগদবনি হায়রি।

চাইনিজ ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী ৱাঙাংলোয় লিজিয়ান ঝাউনসু য়ু এস অমদি চাইনা লৈবাক অনীনা অমত্তা ওইনা থবক তৌমিন্নরবদি চাওখৎপা মালেম অমা ওইহনবা ঙমগনি হায়না ফোঙদোরক্লি। কার্বোন ইম্মিসনগী মতাংদা হৌজিক থোক্লিবা চয়েৎনবশিং অসি য়ু এস অমসুং চাইনানা পুন্না থবক তৌমিন্নরবদি য়াম্না লায়না সোল্ভ তৌবা ঙমগনি। অদুবু মান্নদবা ৱাখল্লোন খরনা মরম ওইরগা লৈবাক অনীগী মরী ফগৎহনবা ঙমদ্রি হায়রি।

পনবা য়াবদি মরোমদোম লৈঙাকচরিবা ঈথৎ লৈবাক টাইৱানগা মরী লৈননা চাইনা অমসুং য়ু এসকী মরক্তা উংখৎনবগী থৌদোকশিং থোক্তুনা লাক্লি। টাইৱান লৈবাক অসি চাইনানা মখোয়গী ঙমখৈগী শরুক্লি হায়না ক্লেইম তৌরিবা অদুগী মায়োক্তা য়ু এসনা লৈরি। সাউথ চাইনা সীগী মতাংদসু লৈবাক অনীগী মরক্তা য়ানদবা কয়া লৈরি।

# পাকিষ্টানদা চহী নৌরিবা হিন্দু নুপামচা অমা ওৎ নৈরবা মতুংদা হাৎখ্রে : রিপোর্ট

ইস্লামাবাদ, নভেম্বর ২১ (এজেন্সী) : পাকিষ্টানগী মনুং চনবা সিন্দ প্রোভিন্সতা মশাগী চহী ১১ খক্তা ঙাইরিবা হিন্দু নুপামচা অমা য়াম্না তমথিনা ওৎ নৈরবা মতুং হাৎখ্রে হায়না লোকেল মিদিয়া রিপোর্টশিংনা ফোঙদোরক্লি।

মিদিয়া রিপোর্টকী মতুংইন্না নুপামচা অসি হৌখিবা ইরাই নুমিৎতগী থিবা ফংদনা লাকখিবনি। মহাক মাঙখিবগা মরী লৈননা পুলিসতা কমপ্লেইন অমসু তৌখিবগা লোয়ননা ইমুং মনুংগী মীওইশিং য়াওনা অকনবা মওংদা থিবগী থবক চখদুনা লাকখিবনি। থাংজ নুমিৎকী নুমিদাংৱাইরমদা নুপামচা অসিগী হকচাং সিন্দ প্রোভিন্সকী মনুং চনবা খাইপুর-মির এরিয়াদা লৈবা মী লৈনদ্রবা য়ুম অমগী মনুংদা থেংনখিবনি।

ক্লাস ফাইভ খক্তমক তম্লিবা নুপামচা অদুগী অশিবা হকচাং ফংখ্রবা মতুং পুলিস ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখিবদা থৌদোক অসিগা মরী লৈননা মীওই অনী ফারে। মখোয়না নুপামচা অদুবু ফাদুনা পুরবা মতুং মী লৈনদবা য়ুম অদুদা পুশিন্দুনা সেক্সুএল হরাসমেন্ট চখদুনা হাৎখিবনি হায়না মশাগী মরাল য়াজখ্রে। মখোয় অনীগী মথক্তা করম্বা এক্সন লৌগদগে হায়বগী মতাংদদি হৌজিক মক্কী ওইনা চপ চানা লেপ্পা লৈত্রি। কোর্টতা পুথোক্লবা মতুং মখোয়দা পীগদবা চৈরাক্কী মতাংদা খঙবা ঙমগনি হায়রি।




অমরোমদা পাকিষ্টান চাইল্ড প্রোটেক্সন ওথোরিটিগী মকোক থোংবা জুবের মহরনা ফোঙদোকখিবদা পাকিষ্টানদা চহী নৌরিবা অঙাংশিংদা ক্রাইম চখবগী থৌদোকশিং য়াম্না তোয়না থোক্লি। ঙরাং অশিবা হকচাং ওইনা ফংখ্রবা নুপামচা অদুগী হকচাংদা শাথিনা ওৎ নৈখিবগী খুদম কয়া থেংনখি। মসি য়াম্না লাইবক থিবা থৌদোক অমনি। মসিদা নত্তনা হৌখিবা থাংজ নুমিত্তা সুকুর দিষ্ট্রিক্টতগী হিন্দু নুপীমচা অমসু মফম খঙদনা মাঙখ্রে। মাঙখ্রবা নুপীমচা অসিগী মরি মখোঙ তাকপা ঙন্বা মীওইদা লুপা লাক্ষ ২.৫কী মনা পীগনি হায়না পুলিস দিপার্টমেন্টনা লাউথোকখ্রে। অমরোমদা পাকিষ্টানদা লৈরিবা হিন্দুশিংনা থৌওং অসিবু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি।